# সুদানদা সিভিলিয়ন রুল দিমান্দ তৌদুনা নৌনা প্রোটেষ্ট চথখ্রে, তোপ পুলিস ওফিসল ১ শিখ্রে

খার্তুম, জন্যুৱারী ১৪ (এজেন্সী):

সুদানদা সিভিলিয়ন লৈঙাক লৈহন্নবা তকশিন্দুনা লৈবাক অসিগী কেপিটেল খার্তুমদা ইনৌ নৌনা চথরকখিবা প্রোটেষ্টেশিংদা অৱাংবা থাক্কী পুলিস ওফিসর অমা শিখ্রে।

সুদানিস পুলিসকী প্রেস ওফিসনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়, কেপিটেল খার্তুমদা লৈবা ষ্টেক মেদিকেল লেবোরেটোরি মনাক্তা দেমোন্সত্রেটরশিংদা প্রোটেক্সন পীনবা মথৌদাং পাঙথোকখিবা বৃগেদিয়র জেনরেল অলি বারিমা হম্মদনা লৈখিদবদা এক্টিং ইন্টরিয়র মিনিষ্টর অমসুং পুলিসকী দিরেক্টর জেনরেলনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে।



সিনিয়র পুলিস ওফিসর অদুনা শিখিবগা মরী লৈনবা অকুপ্পশিং পুলিসকী মায়কৈদগী পল্লকখিদ্রবসু অনৌবা মীশি অদুনা প্রোটেষ্টরশিং অমদি সিক্যুরিটি ফোর্সশিংগী মরক্তা মুক্নবা অমসুং লাক্ল-ফানবা হেনগৎলক্লে হায়বা উৎলি। সুদানদা সিভিলিয়ন লৈঙাক লৈহন্নবা দিমান্দ তৌরদুনা ইনৌ নৌনা তোয়না চথরকখিবা দেমোন্সত্রেসনশিংগী শরুক অমা ওইনা লৈবাক অসিগী প্রোটেষ্টরশিংনা শগোলশেল নুমীৎতা কেপিটেল খার্তুম অমসুং অতৈ সিটিশিংদা প্রোটেষ্টেশিং চথখি। প্রোটেষ্টরশিংনা সেন্ট্রেল খার্তুমদা পুনখি অমসুং প্রেসিদেন্সিএল পেলেস ফাওবা চঙশিন্নবা হোৎনখি হায়না অউবশিংনা এজেন্সীদা ফোঙদোরকখি।

ৱিটনেসশিং অসিনা মখা তানা ফোঙদোরকপদা, ওমদুর্মনদসু দেমোন্সত্রেটরশিংনা অল-অর্বায়ন ষ্ট্রিট তম্না চঙশিনখি। ষ্ট্রিট অসি ওমদুর্মনগা কেপিটেল খার্তুমগা শম্নহনবা থোং অমা য়ৌহল্লিবা য়াম্না মরুওইবা ষ্ট্রিটনি। খার্তুম ষ্টেটকী পুলিসনা শগোলশেল নুমীৎতা থোকখিবা ষ্টেটমেন্ট অমদা মরুওইবা সিটিশিং হায়বদি খার্তুম, ওমদুর্মন অমসুং বহারি শম্নহল্লিবা থোং খরা শীজিন্নবদা অথিংবা খরা লৈরে হায়না লাউথোকখি।

থোং অয়াম্বগী এন্ট্রান্সশিং অমসুং প্রেসিদেন্সিএল পেলেস অমসুং আর্মিগী জেনরেল কম্মান্দ হেদক্বার্টরস তাবা লম্বীশিংদা মিলিটরি য়ুনিটশিং দিপ্লোয় তৌখ্রে। কুমজা ২০২১গী ওক্তোবর ২৫দা সুদানিস আর্মদ ফোর্সেসকী জেনরেল কম্মান্দর অব্দেল ফাট্টাহ অল-বুর্হান কু অমা লাউথোকখিবগা লোয়ননা সোভরেন কাউন্সীল অমসুং গভর্ণমেন্ট মুথৎখিবদগী সুদানদা শাথিরবা পোলিটিকেল ক্রাইসিস অমা থোক্লুনা লাকখি।

থা অসিগী অহৌবা শরুক্তা মীওই লিশিং কয়ানা খার্তুমদা লৈবা প্রেসিদেন্সিএল পেলেস তম্না চঙশিনখিবদা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা প্রোটেষ্টরশিং অদুবু লাকশিন্নবা হোৎনবদা নোংমৈ কাপ্পদা ওমদুর্মনদা মীওই অনী শিখ্রবনি। সেন্ট্রেল কম্মিটি ওফ সুদানিস ডোক্টরস (সী সী এস দি)না ফোঙদোরকখিবগী মতুংইন্না প্রোটেষ্টর অমদি মথবাক্তা নোংমৈনা পান্দুনা খুদক্তা শিখি। অতোপ্পা অমনা ফীভম থীনা শোক্লবা পুং খরা লায়কন্নরবা মতুংদা শিখিবনি। মিলিটরি লৈঙাক্কী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট চথরক্ত্রিঙৈগী মাঙওইননা ওথোরিটিশিংনা কেপিটেল খার্তুমদা ইন্টর্নেট অমসুং মোবাইল সর্ভিসশিং লেপহনখি।

# অফঘানশিং মখা তানা ৱাহন্দনবগী খোঙথাংশিং খুদক্তা লৌখৎনবা য়ু এন চীফনা আপীল তৌখ্রে

য়ুনাইটেদ নেসন্স (ন্যু য়োর্ক) জন্যুৱারী ১৪ (এজেন্সী):

অফঘান মিলিয়ন কয়া মখা তানা ৱাহন্দনবা খুদক্তা লৌখৎফম থোকপা এক্সন লৌখৎনবা য়ু এন সেক্রেটরি-জেনরেল এন্টোনিও গুতেরেসনা ইন্টরনেসনল কম্যুনিটিদা আপীল তৌখ্রে।




ন্যু য়োর্কতা লৈবা য়ু এন হেদক্বার্টরসতা পাউমীশিংদা ৱা ঙাংলদুনা গুতেরেসনা হায়খি, ঐখোয়না অফঘান মিলিয়ন কয়া মখা তানা ৱাহন্দনবগী লম্বীশিং পুথোকপা অমসুং অফঘানিস্তানদা শেল-থুম অমসুং সোসলগী ওইবা থবক থৌরমশিং ফেল ওইরকপা থিংনবা হোৎনবা মথৌ তাই।

ইন্টরনেসনল কম্যুনিটিগী মায়কৈদগী ক্রিএটিভ, ফ্লেক্সিবল কন্সত্রক্টিভ এনগেজমেন্ট য়াওদনা অফঘানিস্তানগী শেল-থুমগী ফীভম হৌজিক লৈরিবা অসিদগী অমুক্কা হেন্না শোকচিল্লক্কনি। মীপায়নিংঙাই ওইবা ফীভম লাকপগা লোয়ননা লৈবাক অসিদা এক্সট্রিমিজম হেনগৎলক্কনি।

য়ু এনগী তোপ ওফিসল অসিনা য়ু এস অমসুং ৱর্ল্ড বেঙ্কতা অফঘানিস্তানগা মরী লৈনবা ফন্দশিং থাদোক্লবসু আপীল তৌরদুনা খোঙথাং অসি নৎত্রবদি লৈবাক অসিগী হৌজিক লৈরিবা শেল-থুমদা য়াম্না খুদোংচাদ্রবা ফীভম অসিদগী য়াম্না হেন্না শোকচিনখিগনি হায়খি।

পনবা য়াবদি, টালিবাননা অফঘানিস্তানদা লৈঙাক্কী পৱার পায়রকখিবদগী য়ু এস অমসুং ৱর্ল্ড বেঙ্কনা অফঘান ফন্দশিং ফ্রিজ তৌশিনখিবনি। সেক্রেটরি জেনরেলনা হায়খি মদুদি, মালেমগী ফাইনান্সিএল সিষ্টম অয়াম্বা দোল্লরদা ওপরেট তৌবনা য়ু এসকী থৌদাং য়াম্না মরুওই। মতাং অসিদা য়ু এস অমসুং মালেমগী অতৈ লৈবাক কয়াদা ফ্রিজ তৌবা ফন্দগী ভোল্যুম অদুক্কী মতিক চাউরমগনি হায়বসি ঐখোয়না উবা ফংই। অসিগুম্বা ফন্দশিং অসি থাঙ্গৈশেংনা অফঘান মীয়ামদা শোয়দনা কান্নবা ফংহনগদবা মওংদা য়ু এস অমসুং ৱর্ল্ড বেঙ্কনচিংবনা থাদোকপীগদবনি। ঐখোয় পুম্বনা হৌজিক হোৎনরিবদি হীরম অসিগা মরী লৈননা মথৌ তাবা গরেন্টিশিং লৈহনবা অদুনি।

ৱর্ল্ড বেঙ্কনা অফঘানিস্তানগী ওইবা রিকন্সত্রক্সনগা মরী লৈনবা ট্রষ্ট ফন্দ অমা এদমিনিষ্টর তৌদুনা লৈবা অমসুং বেঙ্ক অসিনা কুমজা ২০২১গী দিসেম্বরদা ফন্দ অদুদগী দোল্লর মিলিয়ন ২৮০ য়ু এন চিলদ্রেন্স ফন্দ অমসুং অফঘানিস্তানদা ওপরেট তৌরিবা ৱর্ল্ড ফুদ প্রোগ্রামদা ট্রান্সফর তৌখিবা লৈবনা লেমহৌরিবা রিছোর্সশিং হায়বদি দোল্লর বিলিয়ন ১.২ হেন্না অফঘানিস্তানগী মীয়াম্বু মতেং পাংবদা শীজিন্নবা য়াগনি হায়না ঐখোয়না থাজে।

য়ু এন চীফ অসিনা টালিবানদা নুপীমচাশিং য়াওনা নুপীশিংগী রাইট প্রোটেক্ট তৌনবসু আপীল তৌখি। মহাক্না হায়খি, লৈবাক অমত্তা মীশিং তঙ্খায় অমগী রাইটশিং ফংহনবদা নে-না তানা লৈবা য়ারোই। লৈবাকপোকপা নুমীৎতা য়ু এন অমসুং পার্টনরশিংনা অফঘানিস্তানগীদমক্তা দোল্লর বিলিয়ন ৫ হেন্না শাগৎনবা মালেম পুম্বদা আপীল তৌখিবনি।

## ইন্দোনেসিয়াদা য়ুহা হাখ্রে

জকার্টা, জন্যুৱারী ১৪ (এজেন্সী):

ইন্দোনেসিয়াদা ইরাই নুমীৎতা রিক্টর স্কেলদা ৬.৭ য়ৌনা য়ুহা হাখ্রে। তৌইগুম্বসুং ওথোরিটিশিংনা সুনামি এলার্ট ইস্যু তৌখিদ্রে হায়রি।

য়ু এস জিওলোজিকেল সর্ভেনা ফোঙদোরকখিবদা, ইরাই নুমীৎকী অয়ুক পুং ৯.০৫ তাবা মতমদা ইন্দোনেসিয়াগী লবোনগী খা নোংচুপলোমদা কিলোমিটর ৮৮ লাপ্পা মফমদা মেগনিট্যুদ ৬.৬ য়ৌনা য়ুহা হাখি। কিলোমিটর ৩৭.১৯ লুবা ইপিসেন্টর অদু অহানবদা সাউথ লেটিট্যুদ দিগ্রী ৬.৯২৯১ অমসুং ইষ্ট লোঙ্গিট্যুদ দিগ্রী ১০৫.২৫১৩ নি হায়না লেপখি। কেপিটেল জকর্টাদসু কন্না নীকখি। মীশি-মীনা নৎত্রগা মাঙ-তাকপগী পাউশিং খুদক্কী ওইনা ফংখিদে হায়রি।

## আইসোলেসনগী মতম তেনশিল্লগনি

লন্দন, জন্যুৱারী ১৪ (এজেন্সী):

ইংলেন্দগী ভেক্সিন মপুং ফানা কাপ্লবা মীওইশিং কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইদুনা সেল্ফ আইসোলেসন তৌবগী মতম জন্যুৱারী ১৭তগী হৌরগা নুমীৎ ৭নিদগী নুমীৎ ৫নিদা তেনশিল্লগনি হায়না য়ু কেগী হেল্থ সেক্রেটরি সজিদ জাভিদনা লাউথোকখ্রে।

এজেন্সীনা জাভিদকী ৱারোল পল্লদুনা হায়, মঙানি চনবা নুমীৎতা অমসুং তরুকনিগী অয়ুক্তা টেষ্ট তৌবদা নেগেটিভ ওইরবদি মখোয় আইসোলেসন লেপহনগনি। খোঙথাং অসিনা শেল-থুমগী থবক থৌরমশিং হেনগৎহনবদা মতেং ওইহনগনি হায়না সাজিদনা ফোঙদোক্লি। ওমিক্রোন লাইচৎ ৱাংখৎলক্ত্রিঙৈ মমাঙদা লৈখিবা দেটাদা য়ুম্ফম ওইবা য়ু কে হেল্থ সিক্যুরিটি এজেন্সীগী মোদেল্লিংনা কেস চাদা ৩০ হেন্না ৫নি চনবা নুমীৎতা লৌনগনবা য়াই হায়বসি উৎলি।

# হুরাল্লকপা এপ্পলগী প্রদক্টশিং য়োল্লম্বা ইন্দিয়ন অমেরিকান অমা থা ৬৬কী জেলগী চৈরাক পীখ্রে

সান ফ্রান্সিস্কো জন্যুৱারী ১৪ (এজেন্সী):

হুরান পোৎশিং ওইরিবা এপ্পলগী প্রদক্ট কয়া য়ু এসকী স্কুল ইমপ্লোয়ীশিংদগী লৈরগা ঈবে অমসুং এমাজনদা য়োল্লম্বা ইন্দিয়ন অমেরিকান অমা থা ৬৬ জেলদা লৈবগী চৈরাক পীখ্রে।



কোলোরেদোদা লৈবা মশাগী চহী ৩৬ শুরবা ইন্দিয়ন-অমেরিকান সাউরব চাওলানা হুরান পোৎশিং ওইবা ইলেক্ট্রোনিক্স অমসুং অতৈ পোৎলমশিং লৈখি অমদি পোৎশক অদু ঈ-কম্মর্স প্লেটফোর্মশিংদা অমুক হন্না য়োনখি। মহাক্না হুরান পোৎশিং ওইবা আইপেদ কয়াসু ন্যু মেক্সিকো স্কুল দিষ্ট্রিক্টশিংদগী লৈখি। দিষ্ট্রিক্ট ওফ মেরি লেন্দগী য়ু এস এট্টোর্নিগী ওফিসকী মতুংইন্না চাওলানা জোসেফ কুক্তা ফাওবা দেলৱেয়রদগী ফেদএক্স দিষ্ট্রিব্যুসন সেন্টরগী মেনেজর অমগা খুৎশম্ননা থবক তৌদুনা পেকেজশিং হুখি। হুরানখিবা পোৎশকশিং অদুগী মনুংদা নাইকি স্নিকরশিং অমসুং এপ্পল, ইপসন, কেনৰুদ অমসুং মেজল্লনগী পোথোকশিং য়াওখি।

কোর্ট দোক্যুমেন্টশিংগী মতুংইন্না চাওলানা সিপমেন্টশিং অদুগীদমক কুক্তাদা দোল্লর মিলিয়ন ১.৫ পীখি। অহুবা পোৎলমশিং ষ্টেট অমদগী ষ্টেট অমদা ট্রান্সপোর্ট তৌরম্বা অমসুং টেক্স থিদনবা নমথাক তৌরম্বগী চাজশিংদা ন্যু মেক্সিকোগী ৱাটরফ্লোদগী মশাগী চহী ৪৬ শুরবা কৃষ্টি ষ্টোক কৌবা মীওই অমা য়ু এস দিষ্ট্রিক্ট জজ কেথরিন সী ব্লেকনা থা ১৮ জেলদা লৈবগী চৈরাক পীখিবদা চাওলানা চথরম্বা থবক অদু খঙবা ঙল্লকখিবনি।

ষ্টোকনা হায়খি মদুদি, কুমজা ২০১৩দগী ২০১৮ ফাওবদা মহাক্না স্কুল দিষ্ট্রিক্ট অদুদগী লৈখিবা আইপোদ লিশিং ৩ হেন্না হুখি অমসুং পোৎশক অদু ঈবেগী খুত্থাংদা চাওলা অমসুং অতৈদা য়োনখি। দিষ্ট্রিক্ট ওফ মেরিলেন্দগী য়ু এস এট্টোর্নিগী ওফিসকী মতুংইন্না কুমজা ২০১৫গী ওক্টোবরদগী কুমজা ২০১৮ ফাওবদা ষ্টোক অমসুং চাওলানা ঈমেলশিং, টেক্সশিং, ফোন কোলশিংগী খুত্থাংদা অমগা অমগা হকথেংননা দিল তৌনখি। ষ্টোকনা চাওলাদা মহাক্না ফংখিবা আইটেমশিং অদুগী মোদেল, কলর অমসুং পোথোকশিংগী নম্বরনচিংবা অকুপ্পশিং চাওলাদা খঙহনখি।

# বাঘদাদকী গ্রীন জোনদা রোকেট কাপশিল্লকপদা মীওই অনী শোক্লে

বাঘদাদ, জন্যুৱারী ১৪ (এজেন্সী):

য়ু এস এম্বেসী লৈরিবা সেন্ট্রল বাঘদাদকী নীংথিনা ঙাক শেল্লিবা গ্রীন জোনদা রোকেট কয়া কাপশিল্লকপদা নুপী অমা অমসুং অঙাং অমা শোক্লে হায়না ইরাক্কী মিলিটরিনা ফোঙদোরক্লি।



ইরাক্কী জোইন্ট ওপরেসন্স কম্মান্দগী মীদিয়া ওফিসনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়, শগোলশেল নুমীৎতা গ্রীন জোনদা লৈরিবা মরাল লৈজদ্রবা মীওইশিংদা রোকেট কয়া কাপশিল্লক্তুনা এট্টেক চথরকখি। রোকেটশিং অদু সাউদন বাঘদাদকী দাওরাদগী কাপশিল্লকখিবনি। মখোয়গী টার্গেটনা ইরাক্কী ফোর্সেসনা ঙাক শেল্লিবা দিপ্লোমেটিক মিসনশিংগী হেদক্বার্টরসনি।

ষ্টেটমেন্ট অদুগী মতুংইন্না রোকেটশিং অদুগী মনুংদা অমা জোন অদুগী মনুংদা লৈবা স্কুল বিল্ডিং অমদা তাশিনখি অমসুং মদুদা নুপা অমগা অঙাং নুপী অমগা শোকখি। চৈরকসিদা মশক মমিং ফোঙদোক্লিদবা ইন্টিরিয়র মিনিষ্ট্রিগী ছোর্স অমনা এজেন্সীদা ফোঙদোরকখিবদা, য়ু এস এম্বেসী ঙাক শেল্লিবা এয়র দিফেন্স খুৎলায়শিংনা রোকেট অনীদা কাপখি অমসুং রোকেটশিং অদু মখোয়গী টার্গেটশিং য়ৌদ্রিঙৈগী মমাঙদা পোকখায়হনখি। তৌইগুম্বসুং অহুমশুবা রোকেট অমা স্কুল বিল্ডিং অমদা তাশিল্লকপদগী অমাঙ-অতা খরা থোকখি। জন্যুৱারীগী অঙনবদা ইরাক্কী প্রাইম মিনিষ্টর মুষ্টাফা অল-কধামিনা এট্টেকশিং অদু মথোং চাদবশিংগী থবক্লি হায়না ফোঙদোকখিবনি।

# নৌনা খনবা পার্লিয়ামেন্টকী স্পিকর সস্পেন্দ তৌখ্রে

বাঘদাদ, জন্যুৱারী ১৪ (এজেন্সী):

লো মেকরশিংনা ফাইল তৌখিবা লোসূটশিংগা মরী লৈননা ইরাক্কী ফেদরেল সুপ্রীম কোর্টনা পার্লিয়ামেন্টকী স্পিকর অমসুং দেপ্যুটি অনী সস্পেন্দ তৌখ্রে। পার্লিয়ামেন্টকী স্পিকর অমদি দেপ্যুটিশিং অদু হন্দক্তা নৌনা খনখিবশিংনি।

কোর্টকী খোঙথাং অসি লো মেকর অনী বাসিম খাশন অমসুং মহমৌদ অল-মশাদানিনা হায়জবদগী লাকপনি। পার্লিয়ামেন্টকী অহানবা সেসন মনুং জন্যুৱারী ৯দা কন্সটিট্যুসন অমসুং লোগী মায়োক্তা ওইবা অরানবা কয়া তৌখি হায়না লো মেকর অনীনা ক্লেম তৌখি। কোর্ট অদুগী ৱারেপ মতুংইন্না পার্লিয়ামেন্টকী স্পিকর মহম্মদ অল-হলবৌসি অমসুং দেপ্যুটি অনী হাকিম অল-জামিলি অমসুং শখ্বান অব্দুল্লাহ অহমদ সস্পেন্দ তৌখি। সস্পেন্সন অদু লো মেকরশিংগী লোসূটশিংদু লৈখায় তাদ্রিবা ফাওবা চৎনগদবনি।

জন্যুৱারী ৯দা মঙাশুবা লেজিসলেটিভ টর্মগী ওইনা ইরাক্কী পার্লিয়ামেন্টকী অহানবা সেসন খ্বাইদগী অহল ওইরবা এম দি অহমৌদ অহল-মশাদানিনা চেয়রমেন ওইদুনা পাঙথোকখি। তৌইগুম্বসুং অকনবা দিবেট অমসুং চরাংনবা মরক্তা সেসন অদু লেপখিবনি। করপসনগী মায়োক্তা থা কয়া প্রোটেষ্ট তৌখিবদুগী ইরাক্কী পার্লিয়ামেন্টরি ইলেক্সন ২০২২দা পাঙথোকফম থোকপদা ২০২১গী ওক্টোবরদা পাঙথোকখিবনি।

# সাউদিনা লুচিংবা কোলিসননা সানাদা লৈবা হৌথিশিংগী কেম্পতা এট্টেক তৌখ্রে

সানা, জন্যুৱারী ১৪ (এজেন্সী):

সাউদি অরাবিয়ানা লুচিংবা কোলিসন ফোর্সশিংগী ফাইটর জেটশিংনা য়েমেনগী কেপিটেল সানাদা লৈবা হৌথিশিংনা কন্ট্রোল তৌবা মিলিটরি কেম্প অমদা এয়র ষ্ট্রাইক চথখ্রে হায়না মিলিটরিনা লাউথোকখ্রে।



শগোলশেল নুমীৎতা কোলিসন ফোর্সশিংগী ফাইটর জেটশিং অদুনা সানাগী খা থংবা শরুক্তা লৈবা অল-সৱদ কেম্পতা এট্টেক তৌখি। হৌথিশিংগী ষ্টেটমেন্ট অমগী মতুংইন্না কেম্প অদু পব্লিক হোস্পিটাল অমগা নক্লনা লৈ। চৈরকসিদা মরিব প্রোভিন্সকী ফ্রন্টলাইনদা খুৎলায় ট্রান্সফর তৌনবা হোৎনরম্বশিংবু টার্গেট তৌদুনা এট্টেক চথখ্রে হায়না কোলিসননা লাউথোকখ্রে অমসুং অসুম্না খুৎলায় ট্রান্সফর তৌবগী থবক খূদিংমক লেপ্পনবা হৌথি মিলিসিয়াদা খঙহনখ্রে হায়না কোলিসনগী ৱারোল পল্লদুনা সাউদি অরাবিয়াগী অল-অরাবিয়া টিভিগী রিপোর্টনা হায়রি।

নিংথৌকাবা নুমীৎতা কোলিসননা বেকিং পীবা য়েমেনি গভর্ণমেন্টকী আর্মিনা লৈবাক অসিগী খা থংবা প্রোভিন্স সাবৱা হৌথি মিলিসিয়াদগী মনিং তমহল্লে হায়না লাউথোকখিবনি।

# সৈখ হসিনানা মীয়ামদা ভেক্সিন কাপথোক্লবা আপীল তৌখ্রে

ধাকা, জন্যুৱারী ১৪ (এজেন্সী):

হৌজিক ওমিক্রোন ভেরিয়েন্টনা থোকহল্লিবা কোভিদ-১৯ লাইচৎতগী ঙাকথোক্লবা বাংলাদেশকী ভেক্সিন কাপত্রিবা মীওইশিংনা য়াম্না থুনা ভেক্সিন কাপথোক্লবা লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর সৈখ হসিনানা আপীল তৌখ্রে।

ওনলাইন ইভেন্ট অমদা ৱা ঙাংলদুনা হাসিনানা হায়খি, ওমিক্রোন ভেরিয়েন্ট অসি য়াম্না য়াঙনা শন্দোরক্লি অমসুং ইমুং কয়া ভেরিয়েন্ট অসিনা শোকহল্লে। লৈবাক অসিগী মীয়াম্না হেল্থ প্রোটোকোলশিং নীংথিনা ঙাকপগা লোয়ননা ওথোরিটিশিংনা ইস্যু তৌবা খ্বাইদগী নৌবা দিরেক্টিভশিং ইনগদবনি।

বাংলাদেশকী ওথোরিটিশিংনা অনৌবা কোভিদ-১৯ ইনফেক্সনশিং হেনগৎলক্লিবদু থেংননবা অকনবা রুলশিং চৎনহনবা হৌখ্রবনি। কেপিটেল ধাকা অমসুং লৈবাক অসিগী অতৈ মফম কয়াদা মোবাইল কোর্টশিংনা দ্রাইভশিং চথবা হৌখিবগা লোয়ননা অথিংবশিং থুগায়রম্বা মীওইশিং ফাইল তৌখি। নিংথৌকাবা নুমীৎতা বাংলাদেশকী কেবিনেটে পোইন্ট ১১গী দিরেক্টিভশিং য়াওবা সার্কুলর অমা ইস্যু তৌখি। মদু মখা তাবা নোটিশ থোক্ত্রিবা ফাওবা শগোলশেল নুমীৎতগী চৎনগদবনি। দিরেক্টিভশিং অদুগী মখাদা মীয়াম্না মীটিনফমশিং, সোপ্পিং মোলশিং অমসুং রেষ্টুরেন্টশিংদা মাস্ক উপকদবনি। বস অমসুং ট্রেনশিং কেপাসিটি তঙ্খায়দা চেনগদবনি।

# নোর্থ কোরিয়ানা নোংপোক্লোমদা বলিষ্টিক মিসাইল অনী কাপখ্রে

সিওল, জন্যুৱারী ১৪ (এজেন্সী):

নোর্থ কোরিয়ানা ইরাই নুমীৎতা বলিষ্টিক মিসাইলশিং ওইরম্বা য়াই হায়না চিংনবা অনী নোংপোক্লোমদা কাপখ্রে হায়না সাউথ কোরিয়াগী মিলিটরিনা ফোঙদোকখ্রে।



য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা নোর্থ কোরিয়ানশিংগী মায়োক্তা অনৌবা অথিংবা কয়া থম্লক্লকখিবগী পাউখুম ওইনা অকনবা অমসুং অকক্লবা খোঙথাং অমা উৎলগনি হায়না প্যোংয়াংনা ৱার্নিং তৌখিবা মতুংদা মিসাইল লোঞ্চশিং অদু পাঙথোকখিবনি।

জোইন্ট চীফ ওফ ষ্টাফ (জে সী এস)না ফোঙদোরকখিবদা, অতেনবা রেঞ্জকী প্রোজেক্টাইলশিং অদু চাইনাগা লোন্নবা অৱাং নোংচুপ থংবা লমদম অমা ওইরিবা নোর্থ প্যোংগান প্রোভিন্সকী উইজুদগী লোঞ্চ তৌখি অমসুং কিলোমিটর ৪৩০ রোম শান্না অমদি কিলোমিটর ৩৬ ৱাংখৎনা পাইখি। সাউথ কোরিয়ান মিলিটরিনা মিসাইলশিং অদুগী মনুংদা অমা নুংথিল পুং ২.৪১ তাবদা দিটেক্ট তৌখি অমসুং অতোপ্পদুনা নুংথিল পুং ২.৫২ তাবদা দিটেক্ট তৌখি। ওফিসলশিংগী মতুংইন্না মিসাইলশিং অদু মাক তরুক হায়বদি খোঞ্জেলগী স্পিদতগী শরুক তরুক হেন্না য়াঙনা পাইখি।

জে সী এসকী মতুংইন্না সাউথ কোরিয়া অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী ওথোরিটিশিংনা অহেনবা ইনফোর্মেসনগীদমক অকুপ্পা এনালাইসিস অমা চথরি। মশক মমিং ফোঙদোক্লিংদবা জে সী এসকী ওফিসল অমনা পাউমীশিংদা ফোঙদোরকপদা, হৌজিক্কী তাঙ্কক অসিদা নোর্থ কোরিয়ানা হান্ননা শীন্দুনা থম্লবা টার্গেটশিং তম্না মিসাইলশিং কাপ্লিবদু প্রোজেক্টাইলশিং অদুগী এক্যুরেসন ভেরিফাই তৌনবা মাল্লি। মসি হৌজিক লৈরিবা সোর্ট-রেঞ্জ বলিষ্টিক মিসাইলশিংগী এক্যুরেসি হেনগৎহন্নবগী পান্দমদা পাঙথোকপা টেষ্ট লোঞ্চশিং ওইবা য়াই হায়না মহাক্না মখা তাখি।

সাউথ কোরিয়াগী দিফেন্স ছোর্সশিংনা হায়, বলিষ্টিক মিসাইলশিং অদুগী টার্গেটশিং অদু নোর্থ কোরিয়াগী নোংপোক থংবা কোষ্টকা নক্লবা মী তাদবা ঈথৎ অমা ওইরিবা অল-আইলেন্দদা ওইরম্বা য়াই। সাউথ কোরিয়াগী মিলিটরিনা নোর্থ কোরিয়াগী মুভমেন্টশিং মোনিটর তৌবগা লোয়ননা শেম-শাদুনা লৈ হায়না জে সী এসনা ফোঙদোরকখি।

নোর্থ কোরিয়ান রেজিমগী পাক শন্না মাঙহন-তাকহনবা ঙম্বা খুৎলায় অমসুং বলিষ্টিক মিসাইল প্রোগ্রামশিংগা মরী লৈননা ৱাশিংতননা নোর্থ কোরিয়ান তরুক্তা অথিংবশিং লাউথোকখিবা মতুংদা প্যোংয়াংনা ৱার্নিং তৌখিবনি।

য়ু এসনা অসিগুম্বা মুক্লবগী ফিরেপ অমা লৌরকপা তারবদি দি পি আর কেনা তঙাইফদনা হেন্না কনবা খোঙথাং অমসুং রিএক্সন উৎলক্কনি হায়না ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সপর্সন অমনা ফোঙদোকখিবনি। দি পি আর কে অসি নোর্থ কোরিয়াগী ওফিসল মিং দেমোক্রেটিক পিপলস রিপব্লিক ওফ কোরিয়া হায়বনি।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকা ন্যুক্লিয়রগী ৱারী শানবা লেপ্পুনা লৈরিঙৈ মরক্তা নোর্থ কোরিয়ানা অনৌবা অফবা খুৎলায়শিং থিরকপগী খোঙথাং অমদা লৈবাক অসিনা জন্যুৱারী ৪ অমসুং ৫দা হায়পরসোনিক মিসাইলশিং কাপ্পুনা চাংয়েং তৌখিবনি। চৈরকসিদা নোর্থ কোরিয়াগী মিসাইল লোঞ্চশিং অদু খঙই হায়না য়ু এসকী ইন্দো-পেসিফিক কম্মান্দনা ফোঙদোকখ্রে। চাংয়েংশিং অদুনা য়ু এস পর্সনেলশিং নৎত্রগা য়ু এস টেরিটোরি নৎত্রগা মীচঙশিংদা খুদক্কী ওইনা অকিবা পোকহনবা লৈতে। জপান অমসুং সাউথ কোরিয়াবু ঙাক শেনবগী অচেৎপা ফিরেপ লৈ হায়নসু কম্মান্দ অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

# পাকিস্তানদা পেট্রোলগী মমল লিটরদা লুপা ১৫০ য়ৌরকপা য়ানা লৈরে : ছোর্সশিং

করাচি, জন্যুৱারী ১৪ (এজেন্সী):

ইন্টরনেসনল মার্কেটতা শুংদোক্ত্রিবা থাউগী মমল ৱাংখৎলক্লিঙৈ চৈরকসিদা পাকিস্তানগী পুৱারীদা অহানবা ওইনা পেট্রোলগী মমল লিটরদা লুপা ১৫০ য়ৌরকপা য়াবগী ফীভম লৈরে হায়না ওইল মার্কেটিং কম্পনিশিংগী ছোর্সশিংনা ফোঙদোরক্লি।



ছোর্সশিং অসিনা হায়, গভর্ণমেন্টনা জন্যুৱারী ১৬তগী পেট্রোলিয়ম পোথোকশিংগী মমল হেনগৎহল্লকপা য়াই। ওথোরিটিশিংনা পেট্রোলগী মমল লিটরদা লুপা ৫ অমসুং দিজলগীনা লিটরদা লুপা ৬ হেনগৎহল্লকপা য়াই। অদুম ওইনমক অরোইবা ৱারেপতি প্রাইম মিনিষ্টরগা তান্নরবা মতুংদা ফাইনান্স মিনিষ্ট্রিনা লাউথোক্কনি।

ন্যু য়র নোংমা ৱাৎলিঙৈ নুমীৎতা ফেদরেল গভর্ণমেন্টনা পেট্রোলিয়ম পোথোকশিংগী মমল অমুক হন্না হেনগৎহনখিবনি। ফাইনান্স দিভিজনননা থোকপা নোটিফিকেসন অমগী মতুংইন্না কুমজা ২০২২গী জন্যুৱারীগী অহানবা নুমীৎ ১৫নিগী ওইনা পেট্রোল অমসুং হায় স্পিদ দিজল (ঐচ এস দি)গী মমল লিটরদা লুপা ৪ হেনগৎখি। মমল হেনগৎলিবদু ইন্টরনেসনল মনিটরি ফন্দগা য়ানখিবা পেট্রোলিয়ম লেভি টার্গেটকা চান্ননবনি।

নোটিফিকেসন অদুগী মতুংইন্না কেরোসিনগী মমল লিটরদা লুপা ৩.৯৫ হেনগৎহনখি অমসুং লাইট দিজল ওইল (এও দি ও)গীনা লিটরদা লুপা ৪.১৫ হেনগৎহনখি। মমলশিং অদু হেনগৎলবা মতুংদা পেট্রোলগী মমল মমাঙদা লিটরদা লুপা ১৪০.৮২ পীরম্বদগী লিটরদা লুপা ১৪৪.৮২দা হেনগৎখি অমসুং হায় স্পিদ দিজলগী মমলনা মমাঙদা লিটরদা লুপা ১৩৭.৬২ পীরম্বদগী লিটরদা লুপা ১৪১.৬২দা হায়গৎখি। লাইট দিজল থাউগী রেট লিটরদা লুপা ১০৭.০৬ পীরম্বদগী লিটরদা লুপা ১১১.০৬ য়ৌখি। মান্নবা মওংদা কেরোসিনগী মমল লিটরদা লুপা ১০৯.৫৩ পীরম্বদগী লুপা ১১৩.৫৩ য়ৌখি।